কবানি য়াওখিদবা উরুগ্বেগী টিম্বু গ্রিসমানগী ফ্রান্স টিম্না পাঙ্গল ২-০দা থোইরগা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ২০১৮গী সেমী ফাইনেল য়ৌবা অহানবা টিম ওইখ্রে

Quarter Final
July 7
Sweden Vs England
Time : 7.30 p.m.
Russia Vs Croatia
Time : 11.30 p.m.

উরুগ্বেগী মায়োক্তা পাঙ্গল ২-০দা ক্বার্টর ফাইনেল মায় পাক্তুনা হরাউবা ফোঙদোক্লিবা ফ্রান্সকী শান্নরোয়শিং

মোস্কো, জুলাই ০৬ (এজেন্সী) ঃ কুমজা ২০১৮ রসিয়া ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা উরুগ্বেগী টিমদা ইদিনসন কবানি য়াওখিদবা অদুগী অশোনবা অদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা এন্টোইন গ্রিজমানগী ফ্রান্স টিম্না মেচ অদু পাঙ্গল ২-০দা থোইদুনা ৱর্ল্ড কপ অসিগী সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবা অহানবা টিম ওইখ্রে।

উরুগ্বেগী টিমদা য়াম্না মরুওইবা শান্নরোয় অমা ওইরিবা ইদিনসন কবানি প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা শোকখিবদগী ঙসি য়াম্না মরু ওইরবা কুমজা ২০১৮ ফিফা ৱর্ল্ড কপকী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেলদা ফ্রান্সকা লন্থা তৌনবা অদুদা শরুক য়াবা ঙমখিদবনি।

টিম অদুগী এটেক তৌবগী পাঙ্গল অদু কবানি অমসুং লুই স্বারেজগী চুংশিন্নবা ওইখিবনি। অদুবু কবানি য়াওখিদবদগী স্বারেজকী পাঙ্গল অদু মপূং ফানা ফুদোকপা ঙমখিদবগী শক্তম ঙসিগী মেচ অদুদা ময়েক শেংনা উবা ফংখি।

উরুগ্বেগী দিফেন্স লাইন য়াম্না ফজবা শান্নরোয়শিংনা ঙাকশেন্দুনা লৈখিবনি। মদুগী মরম্না ফ্রান্সনা চখরকপা এটেকশিং অদু অহানবা হাফকী পুম্থাই অমা হেল্লবা ফাওবদা পাঙ্গল চনবা ঙমদনা লৈখি।

উরুগ্বেগী মায়কৈদগী মখোয়গী ষ্টার প্লেয়র অমসু ওইরিবা কবানি শোক্তুনা শরুক য়াখিদ্রবসু হোৎনবা লেপখিদবা ষ্ট্রাইকর লুই স্বারেজ অমসুং মহাক্কী শান্নমিন্নবশিংনা ফ্রান্সকী দিফেন্স লাইন অদু তাঞ্জা ফংবদা নমখায়দুনা বোল পুশিনবা ঙমখি। অদুবু বোল অদু ফ্রান্সকী পেনালটি এরিয়া য়ৌশিল্লকপদা চুংশিন্নবা মশান্না ৱাৎপদগী পাঙ্গল চনবগী খুদোংচাবা ফংখিদে।

মেচ অদুগী ৪০শুবা মিনটতা ফ্রান্সনা পুশিল্লকপা এটেক অমদা উরুগ্বেগী দিফেন্দরশিংনা ফাওল তৌরকপদগী ফ্রী কিক অমা ফংখি। ফ্রী কিক অদু ফ্রান্সকী এক্সপরিএন্স লৈরবা হৌজিক হৌজিক্কা স্পেনগী এটলেটিকো মাদ্রিদ ফুটবোল ক্লবতা শান্নরিবা ইনটোইন গ্রিসমানন্না কাওরকখি। বোল অদু টিমমেট ভারানেনা হেদ তৌশিন্দুনা মেচ অদুগী অহানবা পাঙ্গল অদু চল্লগা ফিফা ৱর্ল্ড কপকী কুমজা ১৯৩০দা অহানবা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্ট অদুগী য়ূম্থু ওইবদা নত্তনা চেম্পিয়নসু ওইখিবা উরুগ্বেগী মায়োক্তা ফ্রান্সনা ১-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা উরুগ্বেগী শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী শোথখিবা পাঙ্গল অদু হন্দোক্লবা মখোয়গী হৈথোই শিংথোইবা অমদি অরৈবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা শান্নরকখি।

ইক্বেলাইজর অদু ফংবা ঙমদনা লৈরিঙৈ অনীশুবা হাফ অদুগী শান্নবগী মিনট ১৬ হৌজিল্লকপদা ফ্রান্সকী খোঙজেল য়াঙবা চহী নৌরিবা শান্নরোয়না নম্বা টিম অদুনা পুশিল্লকখিবা এটেক অমদা ইনটোইন গ্রিসমান্না মিটর ২৫ ৱাৎলিঙৈদগী কাওশিনখিবা শাফু কল্লবা সোট অদু উরুগ্বেগী গোলকিপর ফর্ণান্দো মুসলেদনা য়াম্না কোম্না ফারম্থা য়াখি। অদুগুম্বা সোট অদু টিম অমগী গোলকিপর অমা হেক্তনা ইরায় লায়না ফাবা য়াবা তাঞ্জা ওইখিবনি। অদুবু উরুগ্বেগী কিপর মুসলেনা বোল অদু ফারবা মতুং মখূৎতগী নাম্থোক্লগা মহাক্কী গোল লাইন অদুদা লানশিনখিবদগী মেচ অদুগী অনীশুবা পাঙ্গল অদু ফ্রান্সতা মহাক্না পীথোকখিবনি হায়বা য়াই।

পাঙ্গল ২-০দা মাঙজিল থারবা রসিয়া ফিফা ৱর্ল্ড কপ ২০১৮ অসিগী টাইটল ফংগনি হায়বগী অচৌবা মঙলান অমগা লোয়ননা চঙশিল্লকখিবা ফ্রান্সকী শান্নরোয়শিংগী মরক্তা অহেনবা থৌনা লাকখি।


ফ্রান্সকী মখূৎতা পাঙ্গল ০-২দা মায়থীরবা উরুগ্বেগী লুই স্বারেজ নুংঙাইতবা উৎপা

ফিফা ৱর্ল্ড কপকী মরুওইবা ঙসিগী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা ফ্রান্সনা উরুগ্বেবু পাঙ্গল ২-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা অদু উরুগ্বেগী মায়কৈদগী শান্নরোয়শিং অমদি টিম অদুগী কোচ অমসুং ওফিসলশিংগী অরৈবা পাঙ্গল অমসুং লৌশিং হাপচিন্দুনা ইক্বেলাইজর ফংনবা হোৎনখিবা অদু মহয় য়ান্দনা শান্নবগী পুম্থায় অমরোমগী মতম অদু তপ্না তপ্না হৌজিনখি।

উরুগ্বেগী সবষ্টিট্যুট ওইনা চঙলকখিবা খৃষ্টিয়ান রোদ্রিগেজনা শান্নবগী ৬৪শুবা মিনটতা টিম অদুনা পুশিল্লকখিবা এটেক অমদা কাওশিনখিবা সোট অমা ফ্রান্সকী গোল পোষ্ট অদুদগী ফুট ৩ লোম হাইদোক্লগা থৈদোকখিবদগী পাঙ্গল ওইবা ঙমখিদে।

ফ্রান্সকী শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী মখা তাবা খুদোংচাবা ফংবদা এটেক অদুমক চথখি। মদুগী মনুংদা মেচ অদুগী ৭৩শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় কোরেন্টিন টোলেসোনা কাওশিনখিবা সোট অমা উরুগ্বেগী গোল পোষ্টকী মথক্তা চৎখিবদগী পাঙ্গল ৩-০ ওইরমগদবা স্কোর বোর্দ অদু ওইহনবা ঙমখিদে।

শান্নবগী অরোইবা মিনট খরা অদুদা উরুগ্বেগী শান্নরোয়শিং পাঙ্গল হন্দোকপা ঙমদনা ৱাখল অমসুং থৌনা হন্থরকখিবা তাঞ্জা অদুদা ফ্রান্সকী মশা খিংলবা শান্নরোয়শিং অদুনা এটেক অমসু পুশিল্লকখি। মদুদা উরুগ্বেগী দিফেন্দরশিংনা ফাওল তৌরুবগীদমক ফ্রী কিক অমা ফংখি। ফ্রী কিক অদু ফ্রান্সকী অনীশুবা পাঙ্গল চনবা ঙমখিবা ইনটোইন গ্রিসমান্না য়াম্না চেকশিন্না পাঙ্গল ওইনবা কাওশিল্লকপদা উরুগ্বেগী গোল পোষ্টকী বার মথক্তা চৎখিদুনা পাঙ্গল ওইহৌবা ঙমখিদে।

ব্রাজিল অমসুং বেলজিয়ম ক্বার্টর ফাইনেল মেচ (হাফ টাইম)

চেম্পিয়ন মঙারক ওইবা ঙমখ্রবা ব্রাজিল বেলজিয়মগী মখূৎতা পাঙ্গল ০-২দা শোথখদুনা লৈরি। ঙসি কজান সিটিগী কজান ফুটবোল এরেনাদা শান্নখিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা বেলজিয়মনা ফজবা হেন্দুনা ১৩শুবা মিনটতা ফংখিবা কোর্নর কিক অমদা ব্রাজিলগী দিফেন্দর ফর্ণানিদনোনা শোয়বদগী ঙাকথোকখিগদবা হেদ্দিং অমা মহাক্কী গোল মনুংদা চঙদুনা বেলজিয়মগী পাঙ্গল অহানবা ওইখি। মখা তারকপদা বেলজিয়মগী মায়কৈদগী ফংখিবা কাউন্টর এটেক অমদা লুকাকুনা পাস তৌরকপা বোল অমা দিব্রুননা ৩১শুবা মিনটতা পাঙ্গল অমগা চন্দুনা ২-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈরি।

১৩শুবা ষ্টেট লেভেল এলেভেন মেন্স ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮

কে কে জি পি কাইরংনা কে এল এস সী খাবম্থু মায়থীবা পীখ্রে, মহারাবি এফ সী অমসুং এন ৱাই সী নিলকুথি দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৬ (ঐচ এন এস) ঃ ৱাইটর ক্লব, অৱাং পোৎশংবম খুলেন্না চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা ফুটবোল টুর্নামেন্ট চহীসিগী ওইনা পাঙথোক্লিবা ১৩শুবা ষ্টেট লেভেল এলেভেন মেন্স ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা কে কে জি পি কাইরংনা কে এল এস সী খাবম্থু মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা মহারাবি এফ সী অমসুং এন ৱাই সী নিলকুথি দ্রো চৎখ্রে

তোঙান তোঙানবা টিম ২০না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা ১৩শুবা ষ্টেট লেভেল এলেভেন মেন্স ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ২২শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ সীগী কে কে জি পি কাইরং অমসুং কে এল এস সী খাবম শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীনা হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফকী তঙ্খাই চল্লকপা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল অমত্তা চন্নদনা লৈনখি। মেচকী ২১শুবা মিনটতা কে কে জি পিগী জর্সি নম্বর ১৭ এম দি ইমদাদ খান্না মেচ অদুগী অহানবা গোল চল্লগা মহাক্কী টিম্না অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা গোল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাফকী ৩২শুবা, ৩৭শুবা অমসুং ৩৮শুবা মিনটতা কে কে জি পিগী জর্সি নম্বর ১৫ এম দি অসমির শাহ, জর্সি নম্বর ১৬ এম দি রাজ শাহ অমদি এম দি ইমদাদ খান্না গোল ৩ মথং মথং চনশিন্দুনা মেচ অদু কে কে জি পিনা গোল ৪-০দা লৈখি। কে এল এস সীগী মায়কৈদগীসু কে কে জি পিনা মাঙজিল থাদুনা চৎলিবা গোলশিং অদু হন্দোক্তবা য়াদে মতাগুম তকখৎলগা শান্নবা হৌরকখি। মেচকী ৪৬শুবা মিনটতা কে এল এস সীগী জর্সি নম্বর ২১ টি চীংখৈনা কে কে জি পিগী মাঙজিল থারিবা অহানবা গোল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ১-৪দা লৈখি। মেচকী লোইরমদাই মীকুপ ৫৮শুবা মিনটতা কে কে জি পিগী জর্সি নম্বর ৭ এম দি অজরুদ্দিন্না চনখিবা গোল অদুনা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা কে কে জি পিনা কে এল এস সীবু গোল ৫-১দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ২৩শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ সীগী মহারাবি এফ সী অমসুং এন ৱাই সী নিলকুথি শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল অমত্তা চন্নদনা মেচ অদু ০-০দা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী ৩০শুবা মিনটতা এন ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ৭ এন জি রাহুলনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চন্দুনা মহাক্কী টিম্না গোল ১-০দা মাঙজিল থাখি। মহারাবি এফ সীগী মায়কৈদগীসু এন ৱাই সীনা মাঙজিল থানা চৎলিবা অমত্ত ঙাইরবা গোল অদু হন্দোক্নবা য়াঙনা শান্নরকখি। মেচকী ৫১শুবা মিনটতা মহারাবি এফ সীগী জর্সি নম্বর ৫ এস জিবন্না এন ৱাই সীগী মাঙজিল থারিবা গোল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু গোল ১-১দা ইক্বেলাইজ তৌখি। গোল ইক্বেলাইজ তৌখ্রবা মতুং টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চন্নবা ঙমদবদগী মেচ অদু গোল ১-১দা দ্রো চৎখি।

২শুবা এম সী এ টি-২০ লুৱাংপোকপা ত্রোফি

সাইক্লোন থাংমৈবন্দ অমসুং পি সী সী ময়ায় কোয়বী মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৬ (ঐচ এন এস) ঃ মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন্না শিন্দুনা লুৱাংশঙবমদা লৈবা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়ম পাঙথোকপা অনীশুবা এম সী এ টি-২০ লুৱাংপোকপা ত্রোফি ২০১৮গী গ্রুপ এগী লীগ রাউন্দ লোইখিবগা লোয়ননা সাইক্লোন থাংমৈবন্দ অমসুং পি সী সী ময়ায় কোয়বী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

টিম ২০না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা অনীশুবা এম সী এ টি-২০ লুৱাংপো-কপা ত্রোফি ২০১৮গী ৩শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ৯.৩০ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ সীগী পি টি আর সী অমসুং অল অমীন শান্নখি। মেচ অদু অল অমীন্না টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌখি।

অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা অল অমীন্না ওভর ১৮.২দা ৱিকেট লোইনা তুরগা রন ৭৪ লৌখি। অল অমীনগী অবদুলানা ওভর ১৫দা রন ১০ অমসুং নৱাজনা বোল ৭তা রন ৮ লৌখি।

আনবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা পি টি আর সীগী রেক্সনা ৱিকেট ৫, বিশ্বরজিৎনা ৱিকেট ২ অমসুং সন্তোসনা ৱিকেট ৩ লৌখি। অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা পি টি আর সীনা ওভর ১৮.১দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ৭৬ লৌদুনা মেচ অদু পি টি আর সীনা ৱিকেট ৪দা মায় পাকখি।

পি টি আর সীগী রেক্সনা বোল ১৭তা রন ২৭, জোনিনা বোল ১৯দা রন ১৬ অমসুং সন্তোসনা বোল ২৩দা রন ১২ লৌখি। অনীশুবা ইন্নিংসতা বোল্লিং তৌখিবা অল অমীনগী সমিরনা ৱিকেট ৩ অমসুং অবদুলা অমসুং নাওসাটনা ৱিকেট অমমম লৌখি। মেচ অদুদা ৱিকেট ৫ অমসুং রন ২৭ লৌবা ঙমখিবা পি টি আর সীগী রেক্সনা মেন ওফ দি মেচ তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ২২শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা ঈ এস য়ু অমসুং পি সী সী শান্নখি। মেচ অদু ঈ এস য়ুনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা ঈ এস য়ুনা ওভর ১৫.৪দা ৱিকেট লোইনা তুরগা রন ৬৮ লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা পি সী সীনা ওভর ১৬.২দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ৬৯ লৌদুনা মেচ অদু পি সী সীনা ৱিকেট ২দা মায় পাকখি। টুর্নামেন্ট অসিদা ৱিকেট ৩ লৌবা ঙমখিবা পি সী সীগী অজেনা মেন ওফ দি মেচ তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ২৪শুবা অমসুং ঙসিগী অরোইবা মেচ ওইনা ৩শুবা গ্রাউন্দদা সাইক্লোন অমসুং কে আই ৱাই সী শান্নখি। মেচ অদু সাইক্লোন্না টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা সাইক্লোন্না ওভর ১৫দা ৱিকেট ৩ তুরগা রন ১৩০ লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা কে আই ৱাই সীনা ওভর ১১.৪দা ৱিকেট লোইনা তুরগা রন ২৮ খক লৌদুনা মেচ অদু সাইক্লোন্না রন ১০২দা মায় পাকখি। মেচ অদুদা ৱিকেট ৪ লৌবা ঙমখিবা সাইক্লোনগী অক্সে কুমারনা মেন ওফ দি মেচ তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ এগী লীগ রাউন্দ লোইশিনখিবগা লোয়ননা সাইক্লোন্না মেচ ৪ শান্নবদা মেচ ৪ মক মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৮ ফংলগা মকোক্তা লৈদুনা গ্রুপ অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখিবা অহানবা টিম ওইখি। অদুগা পি সী সীনা মেচ ৪ শান্নবদা মেচ ৩ মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৬ ফংলগা গ্রুপ অসিগী অনীশুবা পোজিসন্দা লৈদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখিবা অনীশুবা টিম ওইখি।

অহানবা দেবেশ্বরি অন্দর-১৪ সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮

ৱাই জি সী, জি এফ এ তেলৌ-বি, ঐচ য়ু এফ এ মায় পাকখ্রে, মেচ অমনা দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৬ (ঐচ এন এস) ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা তেলৌগী দিবেশ্বরি ফুটবোল একাদেমিনা শিন্দুনা এন পি ৱাই সী চানা লম্পাক্তা পাঙথোকপা অহানবা দিবেশ্বরি অন্দর-১৪ সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা ৱাই জি সী, জি এফ এ তেলৌ-বি, ঐচ য়ু এফ এ মায় পাকখ্রে। অদুগা মেচ অমনা দ্রো চৎখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ২৭না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ৮ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা অহানবা দিবেশ্বরি অন্দর-১৪ সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ৭শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ৭ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ সীগী এন পি ৱাই সী চানা অমসুং ৱাই জি সী ৱাখোং শান্নখি।

মেচ অদু টিম অনীনা হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফকী তঙ্খাই চল্লকপা মীকুপ ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী লম্বা চানা শান্নখিবনা গোল অমত্তা চন্নদনা লৈনখি। মেচকী ১৮শুবা মিনটতা ৱাই জি সীগী দব্লিয়ু বিসন্না মেচ অদুগী অহানবা গোল চল্লগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মহাক্কী টিম্না গোল ১-০দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাফকী ২৬শুবা মিনটিতা ৱাই জি সীগী ৱাই রঞ্জন্না মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল চন্দুনা মেচ অদু ৱাই জি সীনা গোল ২-০দা লৈখি। এন পি ৱাই সীগী মায়কৈদগীসু ৱাই জি সীনা মাঙজিল থানা চৎলিবা গোল অনী অদু হন্দোক্নবা কন্না হোৎনরকখি। মেচকী ৩৯শুবা মিনটতা এন পি ৱাই সীগী রাইনুনা ৱাই জি সীগী মাঙজিল থারিবা অহানবা গোল অদুহন্দোক্তুনা মেচ অদু এন পি ৱাই সীনা গোল ১-২দা লৈখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা ৱাই জি সীনা এন পি ৱাই সীবু গোল ২-১দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ৮ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ ঐচকী ৱাই এল ৱাই সী নোংসুম অমসুং এন এস সী খুন্দ্রাকপম শান্নগদবা মেচ অদু এন এস সী লাক্তবদগী ৱাই এল ৱাই সী নোংসুম্না ৱাক ওভর ফংখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৯শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবগী অহুমশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এগী সী দব্লিয়ু সী নুঙ্গৈ অমসুং ৱাই এফ এস ৱাই সী সমৈ শান্নখিবা মেচ অদু গোল ১-১দা দ্রো চৎখি। ৱাই এফ এস ৱাই সীগী গোল অদু রাকেসনা মেচকী ২৫শুবা মিনটতা চনখি। অদুগা সী দব্লিয়ু সীগী গোল অদু কিরন্না মেচকী ১০শুবা মিনটতা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১০শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবগী ৪শুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ বিগী দি এফ এ তেলৌ-বি অমসুং ৱাই পি সী থ্বালাতাবী শান্নখিবা মেচ অদু দি এফ এ তেলৌ-বিনা গোল ২-১দা মায় পাকখি। দি এফ এ তেলৌ-বিগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু অমরজিৎ অমসুং সুভাসনা চনখি। অদুগা মায়থীহৌরবা ৱাই পি সীগী গোল অদুনা থাংমিলেন্না চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১১শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৪ তাবগী ৫শুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ জিগী দি আর এস চানা অমসুং ঐচ য়ু এফ এ হৈঙাং শান্নখিবা মেচ অদু ঐচ য়ু এফ এ হৈঙাংনা গোল ১-০দা মায় পাকখি।

সেমী ফাইনেল মেচ য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৬ (ঐচ এন এস) ঃ থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা অথোকপম ফুটবোল ক্লব, অথোকপম্না শীন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা ৪শুবা এ এফ সী ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ য়ৈথোকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ১৬না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্লগা পাঙথোকপা ৪শুবা এ এফ সী ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী অনীশুবা সেমী ফাইনেলগী গ্রুপ য়ুগী মেচ ওইনা গ্রুপ বিগী ৱিন্নর নাইন সাইনিং ষ্টার অমসুং গ্রুপ আরগী ৱিন্নর শম্ফাবি এফ সী শান্নগদবা মেচ অদু খুদোংচাদবা মরম খরদগী মেচ অদু লাক্লিবা জুলাই ৭তা শান্নরগনি হায়না অথোকপম ফুটবোল ক্লব (এ এফ সী) গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

বেদমিন্টন কোচিংগী কোচ কৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ০৬ (ঐচ এন এস)ঃ মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিএসনগী মায়কৈদগী প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না এসোসিএসন অসিগী মিনি প্লেয়র্সতগী হৌরগা সেনিয়র প্লেয়র্সকী কোচিং পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগীদমক কোচ ওইনিংবশিং কৌরি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা ষ্টেট বেদমিন্টন কোচশিং, সাইগী বেদমিন্টন কোচশিং, অতোপ্পা কোচশিং অমদি কোচ ওইনিংবা সেনিয়র শান্নরোয়শিংনা বেদমিন্টন কোচিং অসিগীদমক কোচ ওইবগী এপ্লিকেসন থাজিল্লকপা য়াগনি হায়রি। কোচশিং অমসুং সেনিয়র শান্নরোয়শিংনা জুলাই ৭ ফোর্ম লৌরগা জুলাই ১৪ ফাওবগী মনুংদা থাজিল্লকপা য়াগনি হায়রি।

দয়ানন্দ থৌদামনা ওভরোল চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৬(ঐচ এন এস)ঃ এদ-হোক কম্মিতি চেছ মণিপুরনা শীন দুনা উরিপোক খোইস্নাম লৈকায়দা লৈবা একাদমী ওফ বেসিক চেছতা থা অসিগী ২দগী পাঙথোরকপা চহী ১১ মখা অমসুং চহী ৯ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী চেছ সেলেক্সন টুর্নামেন্টতা দয়ানন্দ থৌদামনা ওভরোল চেম্পিয়ন ওইখ্রে হায়না কম্মিতি অসিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

সেলেক্সন টুর্নামেন্ট অদুদা পুন্না লৈখিবা পোইন্ট ৪গী মনুংদা দয়ানন্দ থৌদামনা পোইন্ট ৪ ফংদুনা ওভরোল চেম্পিয়ন ওইখিবনি। জালেস থৌদামনা পোইন্ট ৩ অমসুং বকহোল ১০ ফংদুনা ফর্ষ্ট রন্নর্স অপ তাখি। মাইবম য়োহেনবা খুমননা পোইন্ট ৩ ফংবগা লোয়ননা বকহোল ৮ ফংদুনা সেকেন্দ রন্নর্স অপ তাখি।

চহী ১১ মখাগী শান্নরোয় দয়ানন্দ থৌদাম অমসুং জালেস থৌদাম, চহী ৯ মখাগী দয়ানন্দ থৌদাম অমসুং লনহৈবা লোইতোঙবম, নুপীমচাগী চহী ১১ মখাগী লনচেনবী ঙাইরাঙবম অমসুং থোকচোম করুনা অমদি চহী ৯ মখাগী থোকচোম করুনা অমসুং থোকচোম প্রীতি খল্লে হায়না এদ-হোক কম্মিতি, চেছ মণিপুরগী মায়কৈদগী প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অসিনা মখা তারি।

মণিপুরগী সী পি সভেন এ সাইদ ফুটবোল টিম হরাউ তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৬ (ঐচ এন এস) ঃ ছটিশগরগী রাইগরদা লৈবা জিন্দাল ষ্টিল প্লান ফুটবোল গ্রাউন্দদা হৌখিবা জুন ২১দগী ২৩ ফাওবা ওল ইন্দিয়া সভেন এ সাইদ সী পি ফটবোল ফেদরেসন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা ওল ইন্দিয়া সভেন এ সাইদ সী পি ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা শরুক য়াদুনা চেম্পিয়ন ওইরক্লবা মণিপুরগী সভেন এ সাইদ সী পি ফুটবোল ঙরাং নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা বি জে পি ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা হরাউ তরাম্না ওকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা ওল ইন্দিয়া সভেন এ সাইদ সী পি ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা শরুক য়াদুনা চেম্পিয়ন ওইরক্লবা মণিপুর টিম ওকপগী থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুর, এদমিনিষ্ট্রেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি কে সরতকুমারনা চীফ গেষ্ট, বি জে পি মণিপুরগী চীফ স্পোক্সপার্সন ডা. এস টিকেন্না প্রিসিদেন্ট, সী এমগী পোলিটিকেল এদভাইজর আর কে রঞ্জন, বি জে পি মণিপুরগী ভাইস প্রসিদেন্ট ইন চার্জ সলাম জয়, বি জে পি মণিপুরগী মিদিয়া কোওর্দিনেটরগী জেনরেল সেক্রেটরি এন নিম্বস, বি জে পি মণিপুর মহিলা মোর্চাগী প্রসিদেন্ট কে ইনাওচা অমসুং বি জে পি মণিপুরগী ৱিভর সেল কনভেনর এল সোরোজিনিনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়াদুনা চেম্পিয়ন ওইরক্লবা মণিপুরগী সভেন এ সাইদ সী পি ফুটবোল টিম অসি ওকপগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা দাইজ মেম্বরশিং অমদি পেরালিম্পিক কম্মিটি ওফ মণিপুরগী ওফিসলশিংনা হরাউ তরাম্না ওকপগা লোয়ননা ত্রোফি অমসুং সার্টিফিকেট খূৎশিন্নখি।

মণিপুর আর্চরি এসোসিএসনগী শান্নরোয়শিং চাইনিজ টাইপৈগীদমক ইম্ফাল থাদোক্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ০৬ (ঐচ এন এস) ঃ চাইনিজ টাইপৈদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়া কপ, ষ্টেজ থ্রিদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুনবগীদমক মণিপুর আর্চরি এসোসিএসনগী আর্চর অমদি কোচ হয়েং চাইনিজ টাইপৈগীদমক ইম্ফাল থাদোক্লগনি।

তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়া কপ, ষ্টেজ থ্রি অসিদা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী আর্চরশিং অদুদি কম্পাউন্দ আর্চরদা মুতুম রুপন অমসুং দিঙ্কু পুখ্রম্বনি। আর্চরি কোচ ওইনা বি গুনিচাননি হায়না মণিপুর আর্চরি এসোসিএসনগী সেক্রেটরি ডা. গুরুঅরিবম ইবোপিশক শর্মানা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com